**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী বজেৎ মীফম মথং থা হৌরকপদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ফোংদোকখ্রে।

২) মণিপুরদা এন.আর.সি তৌগদবনি হায়না রাষ্ট্রহিত সরভোপরি সঙ্ঘথন নেসন ফার্ষ্টনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সংহদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

৩) এন.আর.সি তৌরবা মতুংদা মীকোক থীহন্নবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাকা মীয়ামগা লোয়ননা লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি হায়রি।

৪) রাজ্য অসিদা স্পোর্টস সাইন্স সেন্তর শেমগৎনবগীদমক চয়োল অমগী মনুংদা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনরগনি হায়না মন্ত্রি কোন্থৌজম গোবিনদাসনা ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- আয়ুবেদ, যোগ অমদি আয়ুস অসি অনা লায়েংখক নত্তনা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈনবগী পান্থে অমসু ওইরি।

------

বজেৎ (এল)ঃ রাজ্য অসিগী বজেৎ মীফম মথং থা হৌরকপদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ফোংদোকখ্রে।

দিল্লিদগী ইম্ফালদা হল্লকপদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী লোসি দিখোনা হায়- মন্ত্রি মন্দল চাউথোকপগী ৱাফমদি হৌজিক্কি ওইনা লৈত্রি। থা অসিগী ২১ দা প্রধান মন্ত্রি য়াওনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমদি লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোকখি হায়না উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা হায়রি।

খোঙচৎ অসিদা য়াওরুবা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোই এম.এল.এ- খোঙবানতাবম ইবোমচানা হায়- দলগী লুচিংবশিংনা রাজ্য অসিগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্কনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না কেন্দ্র সরকারনা থবক কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী ৱাফমশিং শ্রী ইবোমচানা ফোংদোকখি। রাজ্য অসিগী অনৌবা লৈঙাক অসিদা দলগী লুচিংবশিংনা চপ চানা তেংবাং পীরি।

আরএসএস (এল)ঃ ইং ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইদুনা মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন (এন.আর.সি) তৌগদবনি হায়না রাষ্ট্রহিত সরভোপরি সঙ্ঘথন (আর.এস.এস) নেসন ফার্ষ্টনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সংহদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

ঙসি সঙ্ঘথন অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট সোহান গিরি অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট এন. ইন্দ্রজিৎনা সহি তৌদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম মরিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখি।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না হায়- লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং, মরুওইনা ঙমখৈদা লৈরিবা মণিপুরগুম্বা রাজ্যদা লৈরিবা লৈবাক অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী হক মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা মুনখিবা য়াবগী ফিভম লাকপনা এন.আর.সি তৌবগী তঙাইফদে হায়বা ৱাফম পল্লি। মসিগীসু মথক্তা ভারতপু ড্রগ অমদি তেরোরিষ্ট ফ্রি ওইহন্নবগীদমক মীতোপ খন্দোকপগী থবক্তা খুমাং চাওশিনগদবনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈবু কন্নবগীদমক সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবীনবা ৱাফম ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লি। লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা মণিপুরগী লৈঙাকা রাজ্য অসিদা

তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা মায় ওনশিল্লকপা অসিমক শিংথানিঙাই ওইনা থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়নসু রাষ্ট্রহিত সরভোপরি সঙ্ঘথন নেসন ফাষ্টনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়াওরি।

মীফম (এল)ঃ  সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাক্কী ৱাঙাংলোহ শান্ট নহাকপমনা হায়রি- মীকোক থীবগী মতাংদা মীয়ামদা লৈরিবা চমমবশিং কোকহন্নবা হয়েংদগী কেম্পেন চত্থরগনি।

ৱাফম অসি এন.আর.সি. অপদেদ তৌরবা মতুংদা সেন্সস তৌগদবনি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফমদা শ্রী শান্টনা ফোংদোকখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটেটিক্স কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী শান্টনা হায়- অসাম রাজ্যদা এন.আর.সি তৌরবা মতুংদা মীকোক থীবগী থবক তৌখিবগুম মণিপুরদসু এন.আর.সি নত্রগা মসিগা মান্নবা থৌরাং অমা পায়খৎলবা মতুংদা মীকোক থীনবা রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারদা তকশিনবা হায়বসি চত্থগদৌরিবা কেম্পেন অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। হৌখিবা ইং ২০০১ অমসুং ২০১১ দা মীকোক থীবদা অশোইবা অরানবা কয়া লৈখিবা অদু অমুক হন্না থোক্তনবা কেম্পেন অসিদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নশি হায়রি।

ত্রেনিং (এল)ঃ  হম্পৱারিং ত্রাইবেল ৱিমেন থ্রু ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং সিষ্টেমস ইন দ তমেংলোং হিলস মণিপুর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং কম ইনপুট দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরম অমা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী লোক্তাক ফারমর্স হোষ্টেলদা পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.এ.আর রিজনেল সেন্তর ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন মণিপুর সেন্তর অমদি ফার্মিং সিষ্টেম রিছার্স সেন্তর ফোর হিল এন্দ প্লেচু রিজন রাঞ্চিগী মখাদা আই.সি.এ.আর, কে.ভি.কে তমেংলোংগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা আই.সি.এ.আর রিছার্স মণিপুর সেন্তরগী হেদ ডাঃ সি.ঐচ. বাসুধানা য়াখি ।

থৌরম অদুদা সি.এ.য়ু ইম্ফালগী দিরেক্তোরেট ওফ রিছার্সগী দিরেক্তর

ডাঃ ললিতা মোহন গরনায়ক অমসুং রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগকী জোইন্ট দিরেক্তর টি.এস. গ্লেদমি মোনসাং শরুক য়াখি ।

ডে (এল)ঃ মন্ত্রি কোন্থৌজম গোবিনদাসনা হায়রি- রাজ্য অসিদা স্পোর্টস সাইন্স সেন্তর শেমগৎনবগীদমক চয়োল অমগী মনুংদা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনরগনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না শান্ন-খোৎনবগী লমদসু অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং তঙাইফদে। সাইন্স সেন্তর অসি শেমগৎলক্লবদি শান্ন-খোৎনবগী লম অসিদা শান্নরোইশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা শান্নরোইশিংগী নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- পীক্লবা রাজ্য অসিনা মঙাশুবা নেসনেল গেমসকী য়ুম্বু ওইবা ঙমখিবা অদু রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংগী মতিক মগুন্ননি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা অঙাংশিংবু চহি নৌরিঙৈদগী হৌনা করম্বা মশান্নদা হেন্না চান্নগনি হায়বা খঙদোকনবা স্কাউটিং তৌবা হৌননবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা মনা মথুম ফংল্লকখ্রবা রাজ্য অসগী শান্নরোইশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি- নাওরেম প্রবিন সিংহ, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর ডা: ময়েংবম ভেতো সিংহ, পদ্মশ্রী এৱার্দি,ওলিম্পিয়ন এন. কুঞ্জারানি দেবী অমদি মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রেসিদেন্ট-সুনিল এলাংবম শরুক য়াখি।

শান্নরোইশিংগী নুমিৎ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি।

গেমস (এল)ঃ অহানবা নোর্থ ইষ্ট হন্দিজিনস গেমস এন্দ কলচরেল মিট ঙসি লোইশিনখ্রে। ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) অমসুং য়েলহৌ মশান্না য়োকখৎ কাংলুপ (ৱাই.এম.ৱাই.এল)গা পুন্না শিনবা থৌরম অসি থা অসিগী ২৩ দগী চখ্থরকপনি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা প্রোফেসার এন. জোয়কুমার সিংহনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা রাজ্যশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী হৌরকফম ইমান মান্নে। য়েলহৌ মশান্না কয়াদসু রাজ্যশিং অসিদা অদুমক মান্নরি। মহৌশাদগী লৈরক্লবা মশান্নশিং য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি।

নুমিৎ হুমি চুপা চথখিবা থৌরম অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং জগোই ঈশৈ, মশান্নশিং অমদি অসাম, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরাগী মহৌশাগী ওইবা জগোই ঈশৈ অমসুং মশান্না কয়াসু উৎখি।

থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দুলম এন্দ টেক্সতাইলগী মখাদা চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী ফিশাকোন ১২৯, সোলার প্লেট ৪২, রিলিং মেছিন ৭ য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অসিগা লোয়ননা ফিশাবীশিংগীদমক সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদা খঙমিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। চান্দেল জিলাগী মোনসাং পনাথা খুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী ফিশাবী কয়া শরুক য়াখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়লনা মমাং চহিগী জ্লাই ২৮ দা কোর্টকী হুকুমশিং চয়োল অহুমগী মনুংদা অইবা পাউখুম ওইনা পীখিবা খঙহনখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকবা রাজ্যগী কম্মিসনারদা পাউতাক পীবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা চীফ সেক্রেতরিদা অমুক হন্না চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুদা হায়- চীফ সেক্রেতরিনা থোকখিবা হুকুম অদু থবক্তা ওন্থোক্তবনা হোম গার্দশিংগী দি.এ হেনগৎপা য়াওনা অতে থৌরাংশিং পায়খৎপা অমদি কোর্টকী ৱায়েল চথবদা থিন্থহল্লে।

উচিৱা (এল)ঃ পি.ঐচ.ই.দি বিভাগনা উচিৱা অৱাং লৈকাই ৱাটর সপ্লাই স্কিম ঙসি ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিতেসন কমিতিদা খুৎশিন্নখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ঈশিং লেমা মাংহনগুমশি, ঈশিং লিকা শিজিন্নশি হায়বা প্লে কার্দশিং পায়দুনা রেল্লি অমসু চৎখি হায়রি। থৌরম অদুদা ময়াংইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রো, ইম্ফাল ৱেষ্ট পি.ঐচ.ই.দিগী এদ্দিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার আর.কে. দোরেন্দ্রোনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সি.দি. ব্লোক মরিগী মখাদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বরশিং অমদি চেয়ারপার্সনশিং ওইনবা থাজিল্লকখিবশিং স্ক্রিনিং তৌনবা সব-কমিতি মরি শেমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱান সি.দি ব্লোক হৌরংশাবলগী ওইনা থা অসিগী ২৭ তগী ২৮ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা বি.দি.ও ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱান সি.দি ব্লোক্কী ওফিসতা অয়ুক্কী পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা স্ক্রিনিং পাঙথোক্কনি।

পাৎশোই সি.দি ব্লোক্কী ওইনা ব্লোক অসিগী বি.দি.ও ওফিসতা পাঙথোক্কনি। হিয়াংথাং সি.দি. ব্লোক্কী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসারগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট টু সি.দি ব্লোক ৱাংগোইগী ওইনা দি.সি কমপ্লেক্সকী কোন্বীরৈ হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

সিআরপিএফ (এল)ঃ ১৪৩ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন্না ঙসি নোনে জিলাগী রোংদাই, রেংপাং অমদি মেরিলেন্দ খুলদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। রোংদাই খুলদা খুঞ্জাশিংগীদমক মীয়ামগী পোত্থাশঙ অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। মেরিলেন্দ অমসুং রেংপাং খুলগী ওইনা ৱাটর হার্ভেষ্টিং সিষ্টেম অমমম খুৎশিন্নখি অমসুং রেংপাং খুলদা চয়োল অনি চুপা চত্থরকপা ফিরোল তুবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু ঙসি লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংদা ফি তুনবা মেছিনশিং য়েন্থোকখি।

মুরমু ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি ম্‌রমুনা হায়রি- আয়ুবেদ, যোগ অমদি আয়ুস অসি অনা লায়েংখক নত্তনা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈনবগী পান্থে অমসু ওইরি। মহারাষ্ট্রগী বুলদানা জিলাগী সিগাউনদা পাঙথোকপা নুমিৎ মরিনি চথুগদবা নেসনেল অরোগ্যা মেলা হৌদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- আয়ুরবেদনা নোংমগী চাগদবা চীঞ্জাক, তৌগদবা থবকশিং তাকপদা নত্তনা লায়না কয়াবুসু ঙাকথোকপা ঙমহল্লি।

আয়ুস মন্ত্রালয় অমসুং ওল ইন্দিয়া আয়ুরবেদিক কংগ্রেসনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- নারক্লবা মতমদা লায়েংবগী মহুৎতা নাদ্রিঙৈদা হকচাং ফনা লৈহৌনবা হোৎনবনা ফৈ। লায়না কয়ানা নারক্লবা মতমদা মদুদগী ঙাকথোকবা হোৎনবনা অৱাবা কয়া মায়োকবগী মথক্তা হকচাংসু থোইনা ফবা ওইদে। মহাকা হায়- অফবা চীঞ্জাক চাবা, নুংতিগী হকচাং শাজেল তৌবনা ঐখোয়গী পুন্সিদা কান্নবা কয়া ফংহল্লি। মালেমগী মীওই কয়ানা যোগ শান্নদুনা ৱাখল অমসুং হকচাং নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনরি।

আয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিংনা হকচাংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লি হায়বসি মালেমগী মীপুম খুদিংমকা পাক শন্না খঙনরি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- নৌনা লিংখৎপা এইমসশিংদা আয়ুসকী দিপার্টমেন্ট হাংদোক্লে।

থৌরম অসিগী তুংদা রাষ্ট্রপতিনা নাগপুরগী মনাক্তা লৈবা জমথাগী বিশ্বা শান্তি সরোভর কমপ্লেক্সতা ব্রহ্মকুমারিশিংগী রাজ্য থাক্কী ওইবা থৌরম এ গোল্ডন ইরা ফোর মহারাষ্ট্র থ্রু য়ুনিতি এন্দ ট্রষ্টসু হৌদোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ডে ঃ ইং ১৯৯৯ ফেব্রুৱারি ২৫ দা মণিপুরনা মঙাসুবা নেসনেল গেমসতা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাদুনা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি লৌখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা শান্নরোইশিংগী নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম.এন.সি.এ)না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা এম.এন.সি.এগী

সেক্রেতরি এলেভেন অমদি শান্ন-খোৎনবগী পাউ লৌরিবা পাউমীশিংগগী ওইবা ফ্রেন্দলি ক্রিকেট মেটচ অমা শান্নদুনা নুমিৎ অসিবু পালন তৌখ্রে। মেটচ অদু এম.এন.সি.এ সেক্রেতরি এলেভেন্না মায় পাকখি।

ক্রিকেট ঃ  ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু রন ১৯৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। সাইক্লোনগী এল. কিসন সিংহ্না বোল ৭৪ দা রন ১০০ লৌদুনা অমদি ওভর ৬ তা ৱিকেট ১ লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

অমরোমদা, তুরনামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈবু রন ১১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা চেম্প খাগেমপল্লিগী শৌগ্রাকপম শঙ্করনা বোল ১০১ মায়োকবদা রন ৯৫ লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

ক্রিকেট ঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.এন ললাম্বুংনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু রন ৩৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই.পি.ঐচ.য়ুগী শান্তিকুমারনা রন ২৬ অমদি ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেদ ওফ দ মেটচ তাখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ.সি অমদি সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল ঃ  আর.দি.সি লাইরেনকাবী ক্লবনা শিন্দুনা হৌখিবা জনুৱারি ২৮ দগী চথরকপা অহানবা ষ্টেট ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাংখেম এফ.সিনা য়ুথ এফ.সি হৈবোংপোকপী পাঞ্জল ৯-৩ দা মায়থিবা পীদুনা তুরনামেন্ট অসিগী মপুং ওইখ্রে।

ফুটবোল ঃ মেজর ডাঃ জোতিন সিংহ, অশোক চক্র মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ুনা এফ.সি. কুম্বীবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। তুরনামেন্ট অসি অম্ফা অমদি দি.এস.এ বিষ্ণুপুরগী মতেংগা লোয়ননা ইন্দিয়ান আর্মিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

------